মণিপুরগী ইস্যুশিং সী দব্লিউ সী মীটিংদা পুথোক্তুনা খন্নগনি

পান্দে নত্তবা মীওইনা এম য়ুগী ভি সী ওইদবা য়াদে হায়বা কাঙলোন লৈব্রা:গাইখাঙম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংগী মতাংদা হয়েংদগী ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি (সী দব্লিউ সী) মীটিংদা পুথোক্তুনা খন্নগনি হায়না হন্দক্তা সী দব্লিউ সী মেম্বর ওইনা খল্লকখ্রবা হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙমনা ঙসি ট্রাইবেল রিছর্স ইন্সটিট্যুট (টি আর আই) চীংমৈরোংদা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা সী দব্লিউ সী মেম্বর খল্লকখ্রবা গাইখাঙমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মহাক্না হায়খি, রাজ্য সভাগী মীফমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট কিরন রিজিজুনা বোর্দর পিল্লর ৮১ দা শোয়বা লৈতে হায়না থমখিবা ৱাফম অদু লায়বক থিবনি। মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা বোর্দর পিল্লর অদু হোংদোক হোংজিন তৌই হায়রিবা ৱাফমশিং অদু তাবিদনা শিখাং খাংদুনা লৈবা অসি লায়বক থিবনি। সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমসুং খুঞ্জাশিংনা বোর্দর পিল্লর ৮১ অসি মণিপুররোমদা কিলোমিটর অহুমলোম হেনজিল্লে হায়রিবসি লৈঙাক্লা য়েংশিনবা চুমগনি।

জুলাই ২২ দা পাঙথোকখিবা সী দব্লিউ সীগী মীটিংদা মণিপুরগী ওইবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা ৱা ঙাংবগী মতম ফঙদুনা হৌজিক ওইরিবা ইস্যু কয়া খঙহনবগা লোয়নননা পার্টিগী লুচিংবশিংদা পুথোক্তুনা মতেং পাঙবীনবা খঙহনখি। অসামদা থোক্লিবা এন আর সীগী ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা ওইহল্লকপা য়াবা কয়াদগী থিংনবা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক তৌবা মথৌ তাই। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা কোংগ্রেস লুচিংবা অমদি মেম্বর কয়ানা ঙসি ফাওবদা মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়নননা থবক তৌদুনা লাক্লি। মীয়াম্নসু মশক খঙবীদুনা কোংগ্রেস পার্টিনা থবক তৌরক্লিবনি। কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটি অসি পার্টিগী ওইনা খ্বায়দগী ৱাংবা পোলিসি দিসিজন লৌবা বোদিনি। পার্টিগী লুচিংবা কয়া মসিদা য়াওরি। কোংগ্রেসকী হায় কম্মান্দনা সী দব্লিউ সী মেম্বর ওইনা হাপ্পকপদা নুংঙাইবা ফাওই। সী দব্লিউ সীদা পুথোক্তুনা খঙহন্নিংবা ৱাফমশিং অদু পার্টিগী পোলিসি প্রোগ্রামদা হাপ্তুনা থবক ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওইবনা মণিপুরগী ওইবা মরুওইবা ইস্যু কয়া মীফম অদুদা পুথোক্তুনা খন্নগনি।

এম য়ুগী হৌজিক ওইরিবা ঈরাং অসিদা ভি সী ছুটি পীরগা ঈরাং নেমথবা ঙম্লোই। ছুটি পীবগী মহুত্তা ট্রান্সফর তৌখিবা নৎত্রগা লৌথোকপদা করি অকায়বা লৈগদগে। মীয়ামগী ঈহুল খঙনা লৈঙাক্লা খোঙথাং লৌখৎলকপদা কোংগ্রেস পার্টিনা চাউনা মাইওং য়ারোইদবা লৈতে। হয়েং অয়ুক পুং ১০ দগী কোংগ্রেস ৱার্কিং পার্টিগী মীটিং দিল্লিদা লৈ। হায়রিবা মীটিং অদুদা হৌজিক মণিপুরদা থেংনরিবা ইস্যু কয়া অসি পুথোক্তুনা খন্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা এক্স এম এল এ জংঙমলুং পানমৈ, বি সী সী, এন বি এগী প্রেসিদেন্ট দিনথাওশিং, রিটায়র্দ এম এফ এস গাইনিঙম, তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট কোংগ্রেস কম্মিটিগী লুচিংবশিং, এ দি সী তমেংলোংগী মেম্বরশিং, নুংবা ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রেসিদেন্ট, লোংমাই তাউন চর্চকী পাষ্টর অমদি ৱার্কর কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদু লোয়রবা মতুংদা হান্নগী দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙম সী দব্লিউ সী মীটিং য়াওনবা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। ইম্ফাল থাদোক্তিন্না ঙৈ মাঙওইননা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এক্স দেপ্যুটি সী এম গাইখাঙমনা হায়খি, এম য়ুগী ভি সী পান্দে নত্তবা মীওই অমত্তনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী ওইবা য়াদে হায়বা লৈঙাক্কী অকক্লবা রুল লৈব্রা। ভি সী ওইবা য়াবা মহাক নত্তবা মতিক চাবা মীওই লৈত্রবরা। এ পি পান্দেবু ভি সী ওইহন্দবা য়াদে হায়বা মওংদা লৈঙাক্লা শিখাং খাঙদুনা লৈবা থৌওং অসি লায়বক থিবনি। এম য়ুগী ঈরাং অসিনা এদ্যুকেসন সিষ্টেমদা অকায়বা পীরে। এম য়ুগী মখাদা লৈবা কোলেজশিংদসু মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অকায়বা ওইরে। এম য়ু কনবীয়ু, মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবীয়ু হায়বদা লৈঙাক্লা থবক পাঙথোকপা ঙমদ্রিবসি করিগীনো। এম য়ুগী ঈরাং লোয়শিন্দুনা ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু। এন আর সীগী মতাং, বোর্দর পিল্লর, এম য়ুগী ৱাথোক অসি ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবগী ফিভমদা লৈরি। বোর্দর পিল্লরগী মতাংদা মণিপুর মীয়াম্না থল্লিবা ৱাফম অদু লূম্না লৌদুনা অচুম্বা পুথোকপা চুমগনি।

অপুনবা শক্তম শাগৎপা হায়বা হিরমদা লেকচর পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ : মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপা হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা মোইরাংথেম নরেন্দ্র মেমোরিএল লেকচর প্রোগ্রাম অমা ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর হিষ্টোরিকেল সোসাইটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সোসাইটি অসিগী প্রেসিদেন্ট সাপম ভৈগ্যনা হায়খি, প্রি হিষ্টিরিগী মতমদগী হৌনা মণিপুরগী মীয়াম অসি কাংকুই শুরুং অমসুং থারোন শুরুংদগী হৌরকখিবনি হায়না লৌনরি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা নিংথৌ পানবা লৈবাক মচা কয়াসু লৈরম্মী। মতুংদা তোঙান তোঙান্না লৈরম্বশিং পুনশিন্দুনা মণিপুর শেম্লকপনি। মণিপুরগী অপুনবা শক্তম শাগৎলকপদা অখন্নবা ফুরুপ অমা খক্তনা শাগৎখিবা নত্তে। লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপশিং পুল্লগা শাগৎলকপনি। মণিপুরগী শক্তমদা শীংনরকপশিং থেংনদুনা অপুনবগী শক্তম ঙাকমিন্নবা মথৌ তাই।

মণিপুরগী অপুনবা শক্তম শাগৎপা হায়বা হিরমদা পন্দিট মোইরাংথেম নরেন্দ্র মেমোরিএল লেকচর পাঙথোক্লিবা অসিনা হৌরক্লিবা রিছর্স স্কোলরশিংদা কান্নবা ফঙহনবা ঙল্লবদি সোসাইটি অসিনা হোৎনজবগী মহৈ য়াল্লে হায়না খনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। মেমোরিএল লেকচর অদুদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম শাগৎপা হায়বা হিরমদা হিষ্টোরিকেল এন্দ কলচরেল রিছর্স সেন্তর ইম্ফালগী প্রেসিদেন্ট নাওরোইবম ইন্দ্রমনিনা লেকচর পীখি।

এম যুগী মতাংদা পোলিটিকেল ...

লামায় ১গী মখা... কনা অমত্তদা অকায়বা পীগদবা নত্তে, ঈংনা-চিক্না চৎপা খোঙচৎনি হায়না য়েৎখি। অদুবু, পুলিসনা থিংবদগী মখা তানা খোঙচৎ চৎপা তোকখি। তুংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং মশা-মশাগী গাড়ীদা তোংলগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি গেট তম্না চৎনখি হায়রি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী গেটতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচরস এসোসিএসন অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসননা ভি সী পান্দে লৌথোক্লবা দিমান্দদা রিলে হঙ্গর ষ্ট্রাইককী খোঙজং চঙশিন্দুনা ৱাকৎ মীফম ফল্লিবা মফম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

এক্স-মিনিষ্টর ও জয়না ফোঙদোকখিবদা, এম য়ুগী লোকল সরাউন্দিং পিপলস ওফ মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরনা শীন্দুনা জুলাই ১৫ দা পব্লিক দাইলোগ অমা পাঙথোকখি। পব্লিক দাইলোগ অদুদা পোলিটিকেল পার্টি কয়াগী লুচিংবশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। পব্লিক দাইলোগ অদুদা খন্নরবা মতুংদা এম য়ুগী ভি সী লৌথোকখিনবা মুসু, মুটা অমদি মুসানা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা সোলিদরিটি উৎনবা লেপ্পখি।

মীফম অদুদা লেপ্পখিবগী মতুংইন্না সোলিদরিটি উৎলিবনি। ককৱাদগী এম য়ু ফাওবা রেল্লি চৎনবগী মতাংদা দি সীদা পর্মিসন নিখিবনি। এস পি ইম্ফাল ৱেষ্টকী মায়কৈদগীদি রেল্লি অসি ঈংনা-চিক্না ট্রাফিক্তা অপনবা থোকহন্দনা, কা হেনবা থৌদোক য়াওদনা অমদি এন্টি নেসনল ওইবা স্লোগান য়াওদনা চৎপদা অয়াবা পীয়ু হায়না চে ইবা লৈরিবনি। দি সীনা পর্মিসন পীরকখিদবনি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা এক্স-এম এল এ, আর কে অনন্দনা ফোঙদোকখিবদা, দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা খোঙচৎ অমা চৎকে হায়বদা য়ারক্তবা হায়বসি লাইবক থীবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টতা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ নচিংবা থমজিন্দুনা চথরক্লিবা থৌওংশিং অসি নমথবগী থৌওংনি। এম য়ুদা মতম শাংনা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপা মহৈরোয়শিং মহৈ-মশিন তম্বা ফংদনা লৈরিবা অসিদা হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদনা লৈরি। ঈংনা তপ্না রেল্লি অমা চৎকে হায়বদা ফাওবা অয়াবা পীবীদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

এন পি এফকী কন্সল্টেটিব মীটিংনা...

লামায় ১গী মখা... ওইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা আপিল তৌখি। পিছ প্রোসেসতা হৌজিক ফাওবা য়াওদ্রিবা অতৈ নাগা নেসনল গ্রুপ পুম্নমকপুসু নাগা মীয়ামগী য়েংদুনা মখোয়গী ৱারেপশিং অমুক হন্না খন্নবসু মীফম অদুনা তকশিনখি।

এন পি এফকী কন্সল্টেটিব মীফম অদুনা হৌজিক লৈরিবা মওংগী প্রপোজ তৌরিবা সিটিজন্স এমেন্দমেন্ট এক্টপু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়নননা নাগালেন্দগী সিটিজনশিংদা অসাম গভর্ণমেন্টনা নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) ফোঙবদগী নাগালেন্দদা ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্ট ময়াম অমা চঙশিল্লকপা য়াবগী ফীভম লৈরিবদু য়েংদুনা মীৎকুপ নাহুম-শিংনা লৈনবসু আপিল তৌখি। মখা তানা হাউসনা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টদা য়ুল্লোন্নবা ষ্টেটশিংদগী ইলিগেল ইম্মিগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপা থিংনবা গভর্ণমেন্ট মেছিন্নরিশিং থবক হৌহন্নবসু তকশিনখি।

পি দি এ গভর্ণমেন্টগী থবক মতৌদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা মীফম অদুনা ওবজার্ভ তৌখি মদুদি, পি দি এ গভর্ণমেন্ট হিরম খুদিংমক্তা ফেল ওইরে। লৈঙাক্লকপা নুমীৎ ১৪৭ শুরফাওবদা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামদা শকখিবা ৱাশক থুংহনবা ঙমদ্রে হায়না মরাল শিখি। নোং লেপ্তুনা চুবদগী মীশি-মীনা থোকখিবগী মতাংদসু মীফম অদুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। মীফম অদুনা এন পি এফকী প্রেসিদেন্ট ডা. শুরহোজেলি লিজেটসু অমসুং এন পি এফ লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা টি আর জেলিয়াংগী লিচিংদা মত অমত্তা ওইনা থাজবা থমখি।

হকচাংদা শোক্লীংঙাই...

লামায় ১গী মখা... মচু শঙনবা পাওদর অদুসু পীরকপনি হায়না ফোঙদোরকখি। ঙসি সিজ তৌরবা মচু শঙলবা খজিং অকংবশিং অসিদা য়াওরিবা পোৎয়ানশিং অসি করি করিনো হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক লম্ফেলদা লৈবা ষ্টেট পব্লিক হেলথ লেবোরেটরিদা থাদুনা টেষ্ট তৌরগনি হায়খি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফুদ সেফটি এদমিনষ্ট্রেসনগী দিজিগনেটেদ ওফিসর ৱাই সৈত্যজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ফুদ সেফটি ওফিসর নেলসন থৌনাওজম, রোমিতা অমদি পুস্পলতানা লুচিংবা টিম অমনসু ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা য়োল্লম্বা খজিং অকংবশিংগী সেম্পল খোমগৎখ্রে। খোমগৎলবা সেম্পলশিং অদুদা পোৎয়ান য়াওব্রা হায়বদু টেষ্ট তৌননবা ষ্টেট ফুদ লেবোরেটরিদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এম পি অনীগী যুমদা ...

লামায় ১গী মখা... কয়া লাউদুনা প্রোটেষ্ট তৌখি।

লোয়নননা নুপী লুপকী লুচিংবীশিং অদুনা এম পি উনদুনা হৌজিক হৌজিক চথরিবা নোংজু মীফমদা অকক্লবা মতম লৌদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী অমদি নাগা পিছ টোককী মতাং মণিপুরগী মীয়াম্না পাম্নরিবা ৱাখল্লোন অসি ময়েক শেংনা থমগদবনি। নাগা পিছ টোক্কী ৱারোইশিনগী ফিভম খঙদোকপা ঙম্ননবা ৱাহংশিং হংদুনা হোম মিনিষ্টরনা পাউখুম পীহনগদবনি। নাগা পিছ টোক্লা মখল অমত্তগী মওংদা কাঙলুপ নাইবা ফিরেপ মণিপুরদা লানশিল্লকপা য়ারোই হায়না হাউসতা লাউথোক্কদবনি হায়বা ৱারোল হৌজিক হৌজিক পার্লিয়ামেন্ট সেসন শরুক য়াবা চৎখিবনা মরম ওইরগা এম পিশিংদা ফোঙদোকপা ফঙলকখিদে।

অদুমকপু মতুং তারকপদা রাজ্য সভাগী এম পি কে এস ঐচ ভাবানন্দগী ওইনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরিনা অমদি লোক সভাগী এম পি টি ঐচ মৈন্যগী ওইনা ইমুংগী মীনি হায়বা ঐচ এপ্লোল্লো কৌবা মীশক অমনা মেমোরেন্দম অসিগী কোপি অমমম ফংলে হায়না খুৎয়েক পীরক্লবা মতুং এম পি মশাদা কোপিশিং অসি থাদুনা খঙহল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী নুপী লুপকী লুচিংবীশিং হল্লকখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা নুপী সমাজগী প্রেসিদেন্ট টি ঐচ রমনিনা পাউমীশিংদা হায়খিবদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমসুং এন এস সী এন (আই-এম)না কুমজা ২০১৫ দা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা কাঙলুপশিং তোখায় তান্নবা শিনবা য়ারোই। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসিনা মণিপুর কায়বা য়াবা ৱাফম য়াওরক্লবদি জুন ১৮ দগী হেন্না কনবা ইহৌ লাক্কনি। মণিপুরগী মীহুৎনি হায়না লৈরিবা এম পিশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ৱাফম পুখত্তুনা মণিপুরগী শক্তম কায়বা য়াইরোই হায়না লেপ্লিবা মীয়ামগী ইহুল খঙনা খন্নগদবনি হায়খি।

এন ঐচশিংদা মীতোপ ...

লামায় ১গী মখা... অদুবু, তোঙান-তোঙানবা ছোর্সশিংদগী পীরকপা পাউশিংনা তোঙান-তোঙানবা লম্বীশিংদা নন-লোকলশিং অসি হায়ৱেশিং অসিদা ভোটর আই দি কার্দ পায়রগা চঙলকই হায়বগী চপ চাবা পাউ ফংলে। মরম অদুনা জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংনা অসামদা আধার কার্দ কাপ্তুবনা মরম ওইরগা মদুগী খূদোংচাবা লৌরগা ভোটর আই-দি কার্দ অমহেক্তা পায়রগদি ইনিদয়াগী সিটিজন অমা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্লা রিকগ্নাইজ তৌবনা মরম ওইরগা নন-লোকলশিং অদুনা ভেলিদ ওইবা আই-দি কার্দ অমা পায়রগা অসামদগী চঙলকপা য়াবগী খূদোংচাবা ফংই হায়রি।

জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংনা য়াম্না হকচিন্না লৌবদি অসামদা আধার কার্দ কাপ্তুবা ভোটর আই দি কার্দ পায়রগসু অসামগী সিটিজন অমনি নৎত্রগা অসামগী য়েলহৌমী অমনি হায়না রিকগ্নাইজ তৌখি। অসামদা মীতোপ খঙদোকপগী চথরিবা থৌশিল অসিনা মীতোপ লাখ ৪০গী মথক্তা লৈরল্লিবসি মণিপুরদা ভোটর কার্দ অমহেক্তা পায়রগা চঙলকপা মতমদা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমনি হায়না অথিংবা পীদবনা অসামদগী তকথোরকপদা মীতোপশিং অসি মণিপুরগী কাচিন কোয়া খূদিংদা খুন্দাশিল্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। ফীভম অদুদা মণিপুরগী দেমোগ্রাফিক পোপ্যুলেসনদা অচৌবা ইম্বেলেন্স অমা থোকহন্দুনা নন-লোকলশিং অসিদা খুন্নাই অসিগী মীয়ামদা পীরক্কদবশিং অদু মীকুপ নাহুমশিংনা লৈহনবা মথৌ তাই।

মরম অদুনা হায়রিবা এন আর সী ফোঙখিবা মতমদা য়াওহৌদ্রবা মীতোপশিং অসি তোঙান-তোঙানবা অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা খুন্দা লৈতানবা লোন্না চঙশিল্লকপা থিংনবা অৱাং-নোংপোক্কী মহৈরোয় লূপশিং পূন্দুনা টাস্ক ফোর্স শেম্লগা দ্রাইব চথুগদৌরিবনি। মরম অদুনা জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংনা নন-লোকলশিং অসি লমদম অসিদা চঙহল্লোইদবনি হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্তা থম্লিংলিবা ৱাফমদি, লৈঙাক্লা হান্নদগী হৌনা অকনবা থৌদাং লৌবীরগা পুলিস দিপার্টমেন্টনা চঙশিল্লিবা মীতোপ মীয়ানচা খন্দোক্লগা হলহনবগী প্রোসেসতা শক্তাক চে নীংথিনা য়াওদবা মীওই লিশিং ৩০০ রোম হলহনখ্রে হায়বা তাই। তোঙান-তোঙানবা লম্বীশিংদা লোন্না অমদি ফোঙনা চঙলকই হায়বগী পাউ পীরকপদগী ষ্টুদেন্টস ৱিংনা হয়েংদগী টাস্ক ফোর্সশিং থমদুনা ভেরিফিকেসন দ্রাইব চথুগদৌরিবনি।

ট্রান্সপোর্টরশিংনসু নন-লোকলশিং অসি পুশিনবীরক্কনু। করিগুম্বা নন-লোকলশিং পুশিনবীরক্লবদি অকনবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক-ৱাথোকশিং থোরকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট হেন্দলূম দে পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): হেন্দলূম চাউখৎলবা মতমদা ঐখোয় চাউখৎপা ঙমগনি হায়না মণিপুর হেন্দলূম এন্দ হেন্দিক্রাফট দিভলপমেন্ট কোওপরেসনগী চ্যেরমেন এস রাজেননা ঙসি ষ্টেট হেন্দলূম দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

হেন্দলূম প্রমোসন কাউন্সিল মণিপুরনা শীন্দুনা ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এস রাজেননা হায়খি, হেন্দলূম চাউখৎলবা মতমদা ঐখোয় চাউখৎপা ঙমগনি। নুপীশিংনা মপান থোক্লা শেল তানবগী মহুৎতা য়ূমদা তানবা ঙম্মী। ফিশাবীশিংবু ইকায় খুম্নবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপীবা তঙাইফদে। ফিশাবীশিংদা এৱার্দ পীবা হায়বসি ইকায় খুম্নবা উৎলিবনি। লমদমসিদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাং অসি য়াম্না মরু ওই। ফিশা-লোনশা অসিনা ঐখোয়গী শক্তম অমদি হৌরকফম তাক্লিবনি। ঐখোয়গী ট্রেদিসনসু মশক তাক্লিবনি। লুহোংবদা য়াওরিবা লৈরুম ফি অসি চীং-তমগী মরীনি। মণিপুরগী হেন্দলূমনা লমদম অসি মশক তাক্লি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা ওফিসশিংদা হেন্দলূমগী ফি শীজিন্নগদবনি হায়বা লৈরি। সেপ্টেম্বর থাদা দিল্লিদা হেন্দলূম মেলা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মসিদা ফিশাবীশিংনা য়াওনবা হোৎনবীয়ু। হেন্দলূম চাউখৎনবা হোৎনবদা ঐখোয় পুম্নমক্কী থৌদাং লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা হেন্দলূম এন্দ টেক্সটাইলগী দেপ্যুটি দিরেক্টর ঐচ সুকুমারনা প্রেসিদেন্ট ওইখি। ৱিভর সর্ভিস সেন্টরগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর সী রাজাসেখরননা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি। থৌরম অদুদা ফিশাবীশিং অমদি হেন্দলূমগী ফিনা য়ুনিফোর্ম ওইনা শীজিন্নরিবা স্মার্ট য়ুনিভর্সেল একাদেমি, সেকমাইজিনদা মনা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

মণিপুরগী নাগাশিংনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা চেকশিনগদবনি : এম এন আর এফ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ : সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)না খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী মতাংদা মণিপুরগী নাগা মীয়াম্না চেকশিনগদবনি হায়না মণিপুর নাগা রেভল্যুশনরি ফ্রন্ট (এম এন আর এফ)না ফোঙদোরক্লি।

লুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি রেক্স কাসুংনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা করি করম্বা ৱারোলশিং য়াওবগে হায়বা চপ চানা খঙদ্রিঙৈদা হীরম অসিদা শৌগৎপা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। এন এস সী এন (আই-এম)না হায়বা ৱাফমদা থাজবা থমদুনা মতুং ইল্লুবা তারবদি খুদোংথিবা নংবা য়াই। সোভরেন্টি, নাগা ইন্টগ্রেসন, ষ্টেচুটরি পাৱর অমদি পান নাগা হোহো হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লিবা এন এস সী এন (আই-এম)গী মতাংদা চম্মবা পোক্লিংঙাই ওই।

কুমজা ১৯৭৫ দা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এন সীনা খুৎয়েক পীনখিবা শিলোং একোর্দ য়ানিংদবদগী থোরকখিবা নাগা লালহৌলুপশিংগী মনুংদা এন এস সী এন (আই-এম)সু অমনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, শিলোং একোর্দনা মরম ওইরগা নাগা খুন্নাইদা মচেৎ তাবগী ফিভম অমা লাকখিবগা লোয়নননা পামদবা থৌদোক কয়ামরুম থোকখ্রে।

নাগা খুন্নাই পুনশিনবা ঙমদ্রিঙৈগী চৈরক্তা ইন্দিয়া গভর্নমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম)না কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খুৎয়েক পীনখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, নাগা তাবা মফম পুম্নমক্তা আর্টিকেল ৩৭১ (এ) গী চৎনহনগনি হায়রিবসিগী মতাংদা এন এস সী এন (আই-এম)না মীয়ামদা মরিক চুম্বা ৱাফম থমগদবনি। নাগাগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী শক খঙবিয়ু হায়না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টতা হায়জবগী মথৌ তাদে। লুরবা তানফম অসিদা অশেংবা মশক খঙনবা হোৎনবগা লোয়নননা ঐখোয় মশেল অমত্তা ওইনা পুনশিনবা তঙাইফদে। ৱেসিয়া পুনশিন্দ্রিমখৈদি পান্দম অমত্তা ফংবা ঙম্লোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

মহৈরোয়শিংনা বি জে পি, কোংগ্রেস...

লামায় ১গী মখা... অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মণিপুরদা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবগী ফীভম অমা লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মরম অদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদু পুথোক্লগা অফ-ফত্তা তান্নমিন্নহৌবগী তঙাইফদবা লৈ।

মফম অদুদগী থোরক্লবা মতুং নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ওফিসতা অমুক থোমজিনখি। বি জে পিগী গেট তম্না চঙশিল্লকপদা মশিং য়াম্লবা পুলিস পার্সনেলশিংনা থিংদুনা থমখি। তুংদা থৌমী খরা পার্টি ওফিসতা চঙহন্দুনা মেমোরেন্দম পীহনখি।

মফম অদুদা কে এস এ, থৌবাল অমসুং ককচিং ব্রাঞ্চকী এদভাইজর খাঙেন্বম সুরজনা পাউমীশিংদা হায়খি, ইন্দো-নাগা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং অদু খঙননবগীদমক মণিপুরগী এম পি ওইরিবশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্কদবনি। হাউসকী মেম্বরশিংনা ইস্যু অসিগী মতাংদা মমুৎ তানা খন্নরগা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনবগী ৱারেপ লৌহনবগী থৌদাং এম পিশিংগী ওইগদবনি।

পি এমগী শক্তমদা মচু ...

লামায় ১গী মখা... প্রোফেসর এম শ্যামকেশোবু উনগে হায়খি। অদুবু প্রোফেসর এম শ্যামকেশোদি থোরকখিদে। তুংদা মফম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি যোগেসচন্দ্র হাওবিজম্না লুচিংবা টিম অমা মফম অদুদা লাকখি। নুমিদাং মমশিল্লক্লবা ফাওবদা প্রোফেসর এম শ্যামকেশো থোরক্তবদগী মহৈরোয়শিং অদু মফম অদুদগী হনখি।

খোঙজং অদুগা মরী লৈননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন (মুসু) গী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম কেনেদিনা হায়খি, মতিক চাদ্রবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রোফেসর অদ্য প্রসাদ পান্দেবু মফম লৌথোক্কদবনি হায়না মহৈরোয়শিংনা নুমিৎ ৬০নি হেন্না খোঙজং চঙশিল্লক্লবা মতম অসিদা ভি সী অসিনা লিভ পীবগী ওর্দর অমা ঙরাং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্টর ইন চার্জ প্রোফেস এম শ্যামকেশোনা থোরকখিবা অসি লায়বক থীবনি। ওর্দর অসিবু থোরক্লিবা রেজিষ্টর ইন চার্জ প্রোফেসর এম শ্যামকেশো এম য়ু কম্যুনিতিনা বোয়কোট তৌবদগী লোৎতুনা লৈরিবা মীশক অমনি। অসিগুম্বা মীশক অসিনা থোরক্লিবা ওর্দর অসিনা মহৈরোয়শিংবু হেন্না খোইরাং খোইশাওনহল্লি। ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা ভি সী লিভ পীরবনিনা খোঙজং হন্দোকউ হায়রিবা অসিসু য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইবা ৱাফমনি। এম য়ুগী ইস্যু অসি থম্মোয় শেংনা ৱারোইশিন পুরক্কে খল্লবদি ভি সী লৌথোক্লনবা অঙম্বা থাক্তা তকশিনবীয়ু। অঙাং মচা লক্লবগী মওংদা তৌবীগনু। থা ২ হেন্না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি ইচম চম্বা নত্তে। ভি সী ছুটি পীবা অদুগা এজিটেসন অসিগা করি মরী লৈনবা য়াওবগে। মসিদা মরী লৈনহল্লগা মীয়ামদা মুসুবু লান্না উহন্নবা হোৎনবা অসি লৈঙাকসিগী অশোয়বা অমদি পাংদবা থৌওংনি।

মমাঙদা চীফ মিনিষ্টরগা উনখিবদসু এম য়ুগী ভি সী লৌথোক্তবা য়ারোই হায়বা ৱাফম অসি থমদুনা লাকখ্রবনি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিদা ঙরাং ভি সী ছুটি পীখ্রে হায়বা থৌওং অসিদি কনাগুম্বনা রেজিষ্টর ইন চার্জতা ইনশিল্লগা তৌহনবা থৌওং মাল্লি। ঙসি রেজিষ্টর ইন চার্জকী য়ূমদা লাকচরিবা অসিসু ভি সী পান্দেবু কন্দবা য়াদে হায়না তৌরিব্রা হায়বসি হংজগে হায়দুনা লাকপনি । ভি সী মশানা ছুটি লৌজবদু মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি) অমদি সী এমনা ছুটি পীথোকখ্রে হায়বসি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

‘রিজিজুনা বোর্দরদা য়েৎনবা লৈতে হায়বা ৱাফম এম পি পিনা য়াবা ঙম্লোই’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ (ঐচ এন এস): য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) কিরেন রিজিজুনা বোর্দরদা য়েৎনবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু এম পি পিনা য়াবা ঙম্লোই হায়না পার্টি অসিগী প্রেসিদেন্ট ও জুগিন্দ্রোনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

এম পি পিগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ও জুগিন্দ্রোনা হায়খি, পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং য়াওবা টিম অমা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্স, সর্ভেয়র জেনরেল ওফ ইন্দিয়া, লেন্দ পোর্ট ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সর্ভে টিম অমগা লোয়নননা জুলাই ২৪ অমদি ২৫ দা বোর্দর পিল্লর ৮১দা চৎতুনা য়েংবা লৈখ্রে। প্রাইমরি পিল্লর নম্বর ৮১ দা চৎতুনা য়েংনবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মফমদুদা য়ৌনবা চৎসি হায়বদা সেন্টরগী টিমনা য়াদবদগী ঈরাং থোক্তুনা ক্বাথাগী মীয়ামগা মুক্নখিবা পুম্নমক্লা খঙনরবনি। থা অসিগী ১ দা মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম) কিরেন রিজিজুনা মণিপুরগী বাউন্দরিগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবা অসি য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি। সর্ভে টিমনা চৎসি য়াদবা মতমদা এম পি পিগী মীহুৎশিংনা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নবগা লোয়নননা ক্বাথাগী ইমা-ইবেলশিং অমদি অপূনবা মীওইশিংগা লোয়নননা কন্না মুক্নরবা তুংদা মফমদু য়ৌনা চঙশিনখি। বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ দা লৈরল্লিবা ফীভমশিং অদু য়েংশিনখি।

মণিপুরগী বাউন্দরিগী চপ চাবা উৎতুনা তাকখি। মতমদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী সর্ভে টিমনা মণিপুর সেক্টরগী ম্যান্নারগা তায়নবা বোর্দরগী মতাংদা রি-সর্ভে তৌনবা থা ১গী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লক্কনি হায়রল্লগা হৌজিক চয়েৎনবা লৈতে হায়রিবা ৱাফম অসি এম পি পিনা য়াবা ঙম্লোই। নুমিৎতুদা সর্ভে টিমনা হায়রম্বা ৱাফম অদু জি ও আই অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা ঙাক্লা চৎকদবনি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা শিখাঙ খাঙদুনা লৈরবদি খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্কনি।

হৌজিক নুংনাংবা ফাওরিবদি মণিপুরগী লৈজরিবা পাক চাওবা অসি মপানগী ফোর্স নৎত্রগা মনুংগী ফোর্সনা বাউন্দরিদা শীংনরক্তুনা ঐখোয়গী লৈজরিবা লম মাঙখিগদ্রা হায়বদুনি। বাউন্দরিগী ৱাফম নৈনরকপা মতমদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা মর্জ তৌখিবদুদা লৈখিবা টেরিটোরিএল বাউন্দরি অদু পূন্না খঙমিন্নবা মথৌ তাই। কুমজা ১৯৪৮ দা মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রনা মণিপুরগী পাক চাওবা ঙমখৈগী মতাংদা মীয়ামদা লাউথোকখি। মণিপুরগী বাউন্দরি অসিদি মতম অদুদা লৈরম্বা টেরিটোরিএল বাউন্দরি অদুদগী পীকশিনখ্রে। ট্রিটি ওফ য়ান্দাবো খুৎয়েক পীনদুনা মণিপুরগী নিংথৌদা কবো ভেলিগীদমক লোইপোৎ ওইনা থাদা সিকা ৫০০ কুমজা ১৯৩৪ গী জন্যুৱারী ৯ দগী ফংলম্বদু কুমজা ১৯৫৩ দা মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা বর্ম্মাদা পীথোক্লম্বা অদুনি। ইপা-ইপূশিংনা থৌনা ফনা থেংনদুনা থস্বীরম্বা লমশিং মচেৎ-মচেৎ মাঙলক্লিবা অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লুবগী খূদোলনি হায়রি।

মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শেমদোকপীয়ু

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৩ : দি এম য়ুনিভর্সিটি ওল্লকপগী অহানবা ওইনা বচেলর দিগ্রিগী ফর্ষ্ট সেমিষ্টরগী সী ঈ টি/ এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোকখ্রবা মতুং হৌখিবা জুলাই ১১দা এন্ট্রান্স টেষ্ট অদুগী রিজল্ট লাউথোকখি অদুবু রিজল্ট অসিদা দি এম কোলেজ ওফ আর্টসতা অশোয়বা কয়া য়াওরমখি। মার্ক ৱাংনা ফংবা মহৈরোয়না খল্লমদ্রগা মার্ক নেম্না ফংবা মহৈরোয়না খল্লম্বা থেংনখি। মসিমক লাইবক থীবনি অমদি অকনবা মওংদা য়ানীংদে হায়না দি এম কোলেজ ওফ আর্টস ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা হায়রি।

মী লিশীং অমা খনবগী সেলেক্সন লিষ্ট থোরকপদা ও বি সী কেটেগোরিদা ফুলফিল তৌরবা কটওফ মার্ক হেল্লবা মহৈরোয় ২৫ মুক সেলেক্সন তৌবিরমদবা অসি করম্বা গ্রাউন্দনো হায়বদু খঙবা পাম্মী অমদি অসিগুম্বা মওং মরীল তাদবা থৌওং অসি চপ চাবা ক্লারিফিকেসন পীবিয়ু। করিগুম্বা ক্লারিফিকেসন পীবিদ্রবদি দি এম আর্টসকী অনীশুবা ফেজগী নৌনা সেলেক্সন লিষ্ট থোক্লবশিংগী কাউন্সেল্লিং থা অসিগী ৪দা পাঙথোক্কনি হায়রিবা অসি থিংবগী খোঙথাং লৌরকপা য়াই অমদি অসিগুম্বা থৌওং অসি মতুং তারকপদা তৌবিগনু অমসুং অসিগুম্বা থৌওং মখা তানা চথরক্লবদি কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈরোই হায়রি।

নাগাগী লম ইঞ্চি ১ ফাওবা ...

লামায় ১গী মখা... তুংদা থোরকপা য়াবা পূম্নমক মায়োক্লনবা শেম শাদুনা লৈগদবনি।

জি পি আর এনগী কলেক্টিব লীদরশিপ রেভরেন্দ পুনিনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসতা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক, হোম মিনিষ্টর, চীফ ওফ আর্মি অমসুং অতৈ মকোক থোংবা ওফিসলশিং শরুক য়াদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনখিবনি। মতমদুদা জি পি আর এনগী চ্যেরমেন আইসাকতি মশা ঙমদবদগী হোস্পিটালদা লৈবা মরম্না ফমুংদা খুৎয়েক পীখি।

মায়কৈ কয়াদগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা য়াওরিবা ৱারোলশিং ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি হায়না তকশিল্লকপা লৈখি। সিক্যুরিটিগী ওইবা মরম খরদগী এগ্রীমেন্টতা য়াওবা ৱারোলশিং মীয়ামদা লাউথোক্তবনি। এন এস এফনা শীন্দুনা খোনোমাদা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী চপ চাবা ৱাহন্থোক মীয়ামদা লাউথোকখি।

রেভরেন্দ পুনিনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চেবাউ পীরকখিবগী মতুংইন্না আইসাক অমদি মুইভানা নাগা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক্লবগী মতাংদা ৱারী শানবগী ৱাফম অয়াবা পীখি। নাগা ফুরুপনা য়াবা লূপ ওইবা মরম্না আইসাক অমদি মুইভাদা ৱারী শাননবগী চেবাউ পীরকখিবনি। নাকল অনীনা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা ৱারী শানবা হৌনবগী ৱাফম য়ানখি। অদুবু, অতোপ্পা লৈবাক অমদা প্রাইম মিনিষ্টরগী থাক্তা ৱারী শানবগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়নননা অহুমশুবা লৈবাক অমা ৱিটনেস ওইনা য়াওহনগদবনি হায়না পুখৎখি। মমাংদা নাকল অনীনা মপান লৈবাক কয়াদা ৱারী শানখ্রবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবগীদমক ইন্দিয়াদা ৱারী শাননবগী চেবাউ পীরকখি। ন্যু দিল্লিদা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবগী ফীভম লাক্লবদা আইসাক অমসুং মুইভানা অতোপ্পা লৈবাক অমদা মখা তানা ৱারী শানবগী ৱাফম পুখৎখি। মতাং অদুদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনবগী ৱাফম পুথোরকখিবনি হায়রি।

মিলিটরিগী মতেংনা নাগাশিং মায়থীবা পীবা ঙমখিদ্রি হায়না পল্লদুনা মহাক্লা হায়খি, বৃটিশনা লৈঙাক পায়রিঙৈদসু নাগাগী ইপা-ইপূশিংনা অমুক্তা ফাওবা টেক্স থীখিবা লৈতে। মতৌ অসুম্না নাগাশিংগী তোপ-তোপ্পা পুৱারী শক খঙবীবগা লোয়নননা নাকল অনী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক পীনবগী ৱাফমদা লাকখিবনি। অথুবা মতমদা ৱারোইশিন অমা শোয়দনা পুরক্লগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না ‘ৱারোইশিন পুরকপা পাম্মী, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট মপূং ফানা শৌগৎলি, নাগাশিং মচোই-মচোই তাহনবা য়ারোই, নাগাশিংগী রাইট ইকায় খুম্নগদবনি, হায়বনচিংবা স্লোগান কয়া লাউখিবগা লোয়নননা অখন্নবা লাইনিং-লাইশোলগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

অমরোমদা, অনালগী সী এস ওশিংনা অনাল নাগা য়ুনিয়নগী লুচিং মখাদা এন এস সী এন (আই-এম) অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মরক্তা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট খুৎয়েক তৌনবগী চহী ৩ ফারকপগী থৌরম অমা ঙসি পঞ্চায় বেপ্টিষ্ট চর্চ চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

UKRAINE/RUSSIA
Recg by MCI,WHO,USA,UK
1.Ternopil State Medical University
2. Uzhhorod National University
3.Crimea Federal University
Our students has passed successfully MCI Screening Test
MBBS
Dr.Tonsing(Imphal)
Dr.Lalsangpuii(Aizwal)
Dr.Lalfakawmi (Aizwal)
Dr.Rosa(Aizwal)
Dr.K.Adak(Aizwal)
Dr.A.Bhuyan(Assam)
Dr.R.Phukan (Assam)
Dr.Ezenbemo(Nagaland)
ARCH EDUCATIONAL SERVICES Pvt.Ltd
C/O Ashish Hatta Minuthong
IMPHAL-9774227905,GUWAHATI-9435087972
HL-P/5166/1-15 Aug



“HOME DELIVERY” “HOME DELIVERY”
Water Jar Home Delivery Service
Jar ঈশিং থক্লিবশিংগী নুংঙাইরবা পাউ
ঈশিং লৌবা চৎপাগী মতম মাংলরোই। থাংদোক থাংজিনগী অৱাবা লৈররোই।
Home Delivery গী মমল লৌজদে। মতম চানা অদোমগী য়ুমদা ঈশিং ফংহনজগনি।
খুদোংচাবা অসি মাংহনবিগনু।
পাম্বিবশিংনা মখাগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওনবিয়ু।
9089238694 / 7085559891
HI-P/5137/27,29,31 july-2-24august (alt.)

ADMISSION GUIDANCE CENTRE
URIPOK YAMBEM LEIKAI
- B.SC AGRICULTURE
Course Fee Rs. 27,500/- Per Semester
- B. TECH-CIVIL, MECH, EEE, AUTO
Course Fee Rs. 35,000/- Per Semester
- B.TECH - MINING, PETROLEUM, CSE
Course Fee Rs. 42,000/- Per Semester
- DIPLOMA ENGINEERING
Course Fee Rs. 20,000/- Per Semester
- B. PHARM
Course Fee Rs. 30,000/- Per Semester
- PHARMA - D
Course Fee Rs. 75,000/- Per Semester
- B.Sc. NURSING
Course Fee Rs. 15,000/- Per Sem.+ Free Accomodation
- GNM, Course Fee Rs. 15,000/- Per Year
Please Contact:- L. Bidur Singh
Uripok Yambem Leikai, Near Shakhi Devi School,
Imphal
Mobil No. 9862423012
HL-P/3385/7,9,11,13,15,17,19,21,23,25,27,29,31/07 -2,4/08